# কামজোং, সেনাপটি, সিসিপুর অমসুং ফেজরোল দিষ্ট্রিক্তিতা ৭ শুবা ইকোনোমিক সেন্সস ২০১৯ হৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ ষ্টেট অসিগী চীংগী দিষ্ট্রিক্ট ৪ হায়বদি কামজোং, সেনাপটি, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেজরোল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ঙসি ৭ শুবা ইকোনোমিক সেন্সস ২০১৯ হৌখ্রে।

কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা দিপ্যুটি কম্মিস্নার শ্রীমতি কেনগো জুরিংলানা ঙসি কেম্প ওফিস ইম্ফালদা ইকোনোমিক সেন্সস ২০১৯ হৌনবী মতুং ইন্না হৌদোকখি। থৌরম অদুদা দিপ্যুটি কম্মিস্নার কেনগো জুরিংলানা সেন্সস অসিগী মরু ওইবা কয়া পল্লদুনা চীং লমদা মীয়ামগী ইকোনোমিক এক্টিভিটিজগী অশেংবা ইনফোর্মেসন অদু ফংহন্দুনা গভর্ণমেন্টকী স্কিম অমসুং প্রোগ্রাম কয়া মায় পাক্লা অমসুং নীংথিনা পাঙথোক্কবা হোৎনবদা মতেং পাংবিনবা হায়খি।

এন এস ও (এফ ও দি), সি এস সি, সুপরভাইজর, ইন্যুমরেটর অমদি দিষ্ট্রিক্ট ওফিসিয়েলশিং য়াওনা ইকোনোমিক সেন্সস হৌদোকখিবা অদুগা মরী লৈননা সুপরভাইজর অমসুং ইন্যুমরেটরশিংগা ৱারী ৱাতাই শানদুনা মায় পাক্লা অমদি চূম্না সেন্সস অসি চত্থনবা খন্নখি। দিপ্যুটি কম্মিস্নারনা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মীয়ামদা মরু ওইনা ভিল্লেজ ওথোরিটিশিংনা সেন্সস অসিগী ইন্যুমরেটরশিংদা চপ চাবা কোওপরেসন পীবিয়ু হায়নসু আপিল তৌখি।

সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু ঙসি দি সি কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা দিপ্যুটি কম্মিস্নার সেনাপটি সোমোরজিৎ সলাম্না ৭ শুবা ইকোনোমিক সেন্সস ২০১৯ ওফিসিয়েল ওইনা হৌদোকখি।

থৌরম অদুদা দি সি সোমোরজিৎ সলাম্না হায়, সি এস সিশিংনা ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সি ওইরি। মখোয়বু সুপরভাইজর অমসুং ভি এল ই শিংনা মতেং পাংগনি। সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা সেন্সস অসি মায় পাক্কবা হোৎনবদা নীংথিনা মথৌ তৌবিনবসু মরী লৈনবশিংদা মহাক্না আপিল তৌখি। ইন্যুমরেটরশিংদা অশেংবা,অচুম্বা দাটা খোমগৎনবা হায়রদুনা থৌৱা শাদবা মীওইশিংগী– দমক্তদি তুংদা খুদোংচাবা কয়া মাঙলকপা য়াই হায়বগী ৱাফমসু থমখি। থৌরম অদুদা এ দি এম সেনাপটি লালমনি সিংহ, এস দি ওশিং, দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসারশিং, সি এস সি মেম্বরশিং অমসুং ভি এল ইশিং শরুক য়াখি হায়রি।

চুরাচান্দপুর অমসুং ফেজরোল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু ঙসি দিপ্যুটি কম্মিস্নারশিংনা মাগী মাগী দিষ্ট্রিক্টকী ৭ লক শুবা ইকোনোমিক সেন্সস হৌদোকখ্রে।

চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুটি কম্মিস্নার পাৱন যাদবনা সেন্সস অসিদা শরুক য়াগদবা ষ্টেকহোল্ডর পুম্নমক্না ইন্যুমরেটরশিংদা মপূং ফাবা কোওপরেসন পীবিদুনা অচুম্বা দাটাশিং খোমজিনবদা মতেং পাংবিনবা আপিল তৌখি।

ফেজরোল দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুটি কম্মিস্নার শ্রীমতি মানৱামচিংনা চুরাচান্দপুরগী তুইবোংদা লৈবা দি টি সি কেম্পসকী মহাক্কী ওফিস্তা ইকোনোমিক সেন্সস অসি হৌদোকখি। ইন্যুমরেটর অমসুং সুপরভাইজরশিংনা মনিং তম্না অকিবা লৈতনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ভিল্লেজ পুম্নমক্তা সেন্সস অসিনা কোনশিনবা ঙমগনি হায়না থাজবা পীরদুনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগীসু পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়খি।

থা অহুম চত্থগদবা ইকোনোমিক সেন্সস ওপরেসন অসি হৌদোকপা থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অনীমক্কী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসারশিং শরুক য়াখি। দিষ্ট্রিক্ট অনী অসিগী ওইনা সেন্সস অসিদা ইন্যুমরেটর ২৪৯, লেভেল ৱান সুপরভাইজর ৫৩ অমসুং লেভেল টু সুপরভাইজর অমা শীজিন্নগনি হায়না দি আই ও চুরাচান্দপুরনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়রি।

# সেদ্যুল ট্রাইবকী দিমান্দ অসি মৈতৈ /মীতৈ খূদিংমক্কী অয়াবা ওইহন্নবা খন্থবা চঙই ঃ অকোম–লূপ

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ সেদ্যুল ট্রাইব (এস টি) দিমান্দ অসি মৈতৈ /মীতৈ খূদিংমক্না য়াবা দিমান্দ ওইনবা খন্থবা চঙই, পুম্নমক শুপচিন্দুনা দিমান্দ অসি তৌবদি অশোয়বা শোয়দনা ওইগনি হায়না অকোম–লূপ কংলৈপাক্না ফোঙদোরক্লি।

অকোম–লূপকী সেক্রেটরী জেনরেল তেলহৈবা মঙাংনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী চাউখৎ থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা শোত্থরবা ফুরুপ্পু মীমান্নরনা চিংখৎনবা পান্দমদা মতম মতমগী লো কয়া শেমদুনা লাক্লি। ফুরুপ খূদিংমক মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংনবা হোৎনরবসু লৈমিন্নরিবা ফুরুপ কয়ানা মাগী মাগী অপেন পেন্দা মতুং ইন্না গভর্ণমেন্টতা দিমান্দ কয়া তৌদুনসু লাক্লি। হায়রিবা দিমান্দশিং অসিগী মনুংদা ওন্থোক ওনশিনগী কোটাগী দিমান্দ অসি খ্বাইদগী চমম্লবা অমদি চয়েৎনবা কয়া অদুমক লৈরক্লি।

মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়াগী মনুংদা য়েলহৌঙৈদগী লুচিংদুনা লমজিংদুনা লাক্লবা মালেমগী খুন্নাই কয়াগী মরক্তা তিনবা অমদি শক তাকপা ঙল্লি। অদুবু মৈতৈ /মীতৈ খুন্নাই অসি শোত্থরবা ফুরুপ অমনি হায়না খঞ্জদুনা সেদ্যুল ট্রাইব ওইনবা তাল্লিবা দিমান্দ অসিদি খুন্নাই অসিগী মীপুম খূদিংমক্না য়াবা হায়বদু ওইরোই। য়ানিংদবা কয়াসু লৈরমগনি। মরম অদুনা পুম্নমক অসি খন্থবা চঙই।

দিমান্দ অসিগী মপুং ওইবদি লম লৈশিল্লক্তবা অমদি মীশিং হেনগৎলকপা অসিনা মরম ওইরগা তুংগী ওইরক্কদবা ফিভম হেন্না লুশিল্লকপদগীনি হায়না লৌই। করিগুম্বা ফিভম অসি হেন্না লুশিল্লকপা তারগদি সিভিল সোসাইটি অমদি এপেক্স বোদি কয়ানা ইসু অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টকা ৱারী শানদুনা য়ানরগা খূৎয়েক পীনখিবা কয়াসু লৈরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, এস টি দিমান্দ অসিনা কোনশিল্লিবা মৈতৈ/মীতৈ ফুরুপ অসিদসু য়ানিংদবা লৈবনা ফুরুপ পুম্নমক শূপচিন্দুনা দিমান্দ তৌবদি অশোয়বা ওইগনি। লৈমিন্নরিবা ফুরুপ মশেল হিংমিন্নবা য়ানবা গভর্ণমেন্টনা লৌগদবা থৌদাং কয়া মতম চানা লৌহৌদবনা তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী তোঙান তোঙানবা দিমান্দ কয়া লাক্লিবনি।

সিভিল সোসাইটি কয়ানা তম্পাক লমদা খুন্দা লৈতাদুনা হিংমিন্নরিবা ফুরুপ কয়া অসি মফম অতৈদসু পুন্না খুন্দামিন্নবা য়ানবা লেন্দ রিফোর্ম কম্মিটি অমা শেম্নবা দিমান্দ তৌখিবসু লৈখি। ঙসিসু গভর্ণমেন্টকী মাঙদা তাদুনা লৈরিবনি। খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ কয়াগী মরক্তা খঙহৌদনা মীশিং হেনগৎলকপগী মীপাইবা লৈরিবা অসিগীদমক পোপুলেসন কম্মিসন অমা শেম্নবা গভর্ণমেন্টকা য়ানখিবসু লৈ।

অমরোমদা পুন্না হিংমিন্নরিবা ফুরুপ খূদিংমক গভর্ণমেন্টনা শেন্থা লোনা ঙাকপনি অমদি গভর্ণমেন্টসু খুন্নাই অসিগীদমক লৈবনি হায়বসি অচুম্বনি। অদুবু ফুরুপশিং অসিগী য়েংলগা ফুরুপ অমখক্কী পেন্নবা নৎত্রগা ভাবনা শাদুনা দিমান্দশিং নেগোসিয়েট তৌরবদি তুংদা অশোয়বা কয়া শোয়দনা লৈগনি। এস টিগুম্বা য়াম্না সেন্সিটিভ ওইবা দিমান্দ অমা তৌবদা মৈতৈ /মীতৈ ফুরুপ পুম্নমক্না য়ানিংই হায়বা অসিসু অচুম্বা ওইরোই। য়ানিংদবসু লৈরমগনি। অদুনা মখোয়গীসু খনবা তাবনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মৈতৈ/মীতৈ ফুরুপ অসিগী মনুংদা লোগী মতুং ইন্না ও বি সি অমসুং সেদ্যুল কাষ্ট ওইনা লৈবসু য়াওদবা নত্তে। লোগী মতুং ইন্না চৎনরিবা কোটা সিষ্টেমসু হোংদোক হোংজিন তৌবা নৎত্রগা অহেনবা কোটা দিমান্দ তৌবদা করিসু অকায়বা লৈতে অদুবু এস টি দিমান্দদা য়ানিংদবা ফুরুপ অসিগী মীওইশিংগী ফিভম শোক্তনবা মোদেলিটি অমা শেমদুনা দিমান্দ অসি তৌবনা চুমগনি।

মৈতৈ/মীতৈ ফুরুপচা কয়া মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মীশিং য়াম্লবা অমসুং চাউখৎলবা কয়াগা হাকথেংননা থেংনদুনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা মীথোই মীহেন্দুনা অচৌবা থৌদাং লৌবসু লৈরি। অদুনা হিরম অসিগী মতাংদা খন্নবা মতমদা চেকশিন্না য়েংগদবদি ও বি সি অমদি এস সি নৎত্রগা অতোপ্পা কোটা কয়া পীবগুম রুল নৎত্রগা মোদেলিটি শেমদুনা মৈতৈ/মীতৈ খূদিংমক্কী মরক্তা য়াবা নৎত্রগা য়ানিংদবা অমদি তশেংনা এস টি ষ্টেটসতা চঙনিংবা চঙনিংদবা খন্দোকপা অসিনি। এস টি দিমান্দ য়ানিংবশিংনসু তশেংনা শোত্থরবা ফুরুপচা ওইরিব্রা হায়বসি মুন্না খন্থবা চুমগনি। শোত্থরে হায়না লৌরবদি শোত্থবগী মরম তশেংনা থিদোকপা অমসুং খঙদোকপা ঙমদবসি করিদগীনো হায়বা অদুসু খন্থমিন্নবা চুমগনি হায়রি।

কোটাগী দিমান্দ অসি নৈনবা মতমদা মৈতৈ/মীতৈ ফুরুপ্পু শুপচিন্দুনা এস টি ওইহনবদি অচুম্বা খোঙথাং ওইরোই। মায়কৈ কয়াদগী য়াম্না কুপ্না নৈনবা চঙই। অদুনা অতোপ্পা কোটাগী খুদোংচাবা লৈবা সেদ্যুল কাষ্ট, ও বি সিনচিংবা কয়া খনবগুম সেদ্যুল ট্রাইবতা চঙগদবা মীওইশিংগী ওইবা অখন্নবা রুল অমদি রিগুলেসন নৈনবা মথৌ তাই হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## জি বি মিটিং পাঙথোকখ্রে

করাং, সেপ্তেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা করাংদা লৈবা করাং আইলেন্দ মোটোর বোট এন্দ বোট এসোসিয়েসন (কে আই এম বি বি এ)গী জেনরেল বোদি মিটিং পাঙথোক্তুনা চৎলিবা চহী অসিগী ওইনা অনৌবা এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বরশিং খন্নবা ৱারেপ্লখ্রে। লোয়ননা করাং আইলেন্দ বোট এসোসিয়েসন (কে আই বি এ) কৌরম্বা অদুসু করাং আইলেন্দ মোটোর বোট এন্দ বোট এসোসিয়েসন হায়না ওনবদা য়ানখ্রে। কনাগুম্বনা অকূপ্পা মরোল খঙনিংলবদি এসোসিয়েসন অসিগী ওফিস্তা লাক্তুনা তানবিয়ু হায়না সেক্রেটরী জেনরেল সলাম খেদা সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ জেনান লমকাগী সিক্লি ইংলিস পাউচেগী এদিটর ওইরম্বা ভেটারান জর্নেলিষ্ট লালমিংলিয়ানা তোরেল্ল (৯১) না লৈখিদবদা আই পি আর মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বাজিৎ সিংহনা অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে। লৈখিদ্রবা তোরেল্লনা হিংলিঙৈ মতমদা তোঙান তোঙানবা থাক্তা মেদিয়া ফেটরনিতিগা লোয়ননা থবক কয়া তৌরম্মী। মহাক্না লৈখিদবসি এক্সপরিয়েন্স লৈরবা জর্নেলিষ্ট অমা মাঙজবনি হায়রি।

# ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা খন্ন–নৈনবগী মীফম তাকয়েল খোংবান্দা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা) ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অমসুং তাকয়েল খোংবাল য়ুনিট অমদি তাকয়েল খোংবাল মনিং লৈকাইদা লৈবা নম্বুল ব্রিষ্ক কলচরেল এসোসিয়েসন (এন বি সি এ) খূৎশম্মনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা খুন্নাইনা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংবদা মীয়ামগী থৌদাং হায়বা হিরমদা খন্ন–নৈনবগী মীফম ঙৱাং এন বি সি এ কমপ্লেক্স তাকয়েল খোংবান মনিং লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে।

কাদাগী সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম অনন্দনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, খন্ন–নৈনবগী মীফম অদুদা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন দোরেন, কাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরী জেনরেল কোংব্রাইলাৎপম বিনা অমসুং এন বি সি এগী এদভাইজর সনসম জোইনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি অদুগা কাদাগী সেক্রেটরী জেনরেল গিতচন্দ্র মঙাংনা রিছোর্স পার্সন ওইখি।

গিতচন্দ্র মঙাংনা হায়, লমদম অসিদা লাইনীং লাইশোলগা মরী লৈনবা থৌদোক ৱাথোক্তগী হৌরগা শিবগী পোৎলোইবা ফাওবদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক য়াওদবা য়াদবগী চৎনবী অমা ঙসিদি পাক শন্না শন্দোরক্লে। থৌদোক ৱাথোক খূদিংমক্তা ক্বা জর্দা, য়ুনচিংবা য়াওদ্রবদি মতমগী চৎনবী খঙদবা ওইনা লৌনরক্লে। পুম্নমক অসিনা লমদম অসিদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী চৈথেং মায়োক্নরে হায়বসি ঐখোয় খূদিংমক্লা খঙনরবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা অসিগুম্বা লাইচৎ অসি থিংহৌদবা তারবদি খুন্নাই অসিগী তুংগী অশা লৈত্রবা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী ইপাক্তা ইরাক্লবা হায়বদু শোয়দনা ওইরক্লগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ন্যুত্রেসন মহুকী সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

চুরাচান্দপুর, সেপ্তেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ থা অমা চুপ্না চত্থগদবা চৎলিবা থা অসিগী অনীদা হৌদোকখিবা ন্যুত্রেসন মহুকী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংনা তৌগদবা থবক থৌরমগী মতাংদা সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম ঙসি দিপ্যুটি কম্মিস্নার চুরাচান্দপুর পাৱন যাদবনা ময়াই ফমদুনা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা মপুং ওইনা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টতা শিন্নখিবা তোঙান তোঙানবা থবককী শেম শারিবশিং অদু নৌনা অমুক য়েংশিনবগা লোয়ননা কুপ্না খন্ন–নৈনখি। থা অমা চুপ্না চত্থগদবা ন্যুত্রেসন কেম্পেইন অসিদা দাইরিয়া, এনেমিয়া, ন্যুত্রেসন এন্দ হেলথ এদুকেসনকী ৱার্কসোপ, লম লমদা ফংবা মনা মশীংনা মচী ওইবা চীঙ্গাক শেম শাবগী তাকপি তম্বিবা, স্কুল অমসুং এ দব্লিউ সি থাক্তা ন্যুত্রেসন রেল্লি পাঙথোকপা, খূৎ–শা শেংনা হামদোকপগী মওং তাকপা, মফম মফমগী ওইনা ফংবা চীঙ্গাক অমসুং য়াওরিবা মরু ওইবা মচলশিং মীয়ামদা খঙহনবা, স্কুল লেভেলদা সেনিটেসনগা মরী লৈননা পেন্টিং কম্পিটিসন পাঙথোকপা, ভিল্লেজ থাক্তা কিটচন গার্দেন শেম্বগী কেম্পেইন, পাক্তক্লা লুনানবগী থবক ভিল্লেজগী থাক্তা চত্থবা, সব দিভিজনগী থাক্তা ন্যুত্রেসন মেলা পাঙথোকপা, ভিল্লেজ অমসুং ব্লোক্কী থাক্তা য়ুমগী অরেম অখাকশিং হাইজিনিক ওইবা মওংদা থম্বা নৎত্রগা হুন্দোকপগী কেম্পেইন, হেলথ চেকঅপ অমসুং অঙাংশিং মপূং মৱৈ ফানবা মোনিটর তৌবা অসিনচিংবা কয়া তোঙান তোঙানবা লাইন দিপার্টমেন্টনা থা অসিগী মনুংদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

# ইলেক্ট্রিক্ট শীজিন্নদুনা হৈরোক তুরেলদা ঙা ফারম্বা মীওই অনী ফাগৎখ্রে

থৌবাল, সেপ্তেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ ৱাইল্ড লাইফ এন্দ বাইওদাই–ভর্সিটি কঞ্জার্ভেসন কম্মিটি (দব্লিউ বি সি সি) মণিপুর হৈরোক ব্রাঞ্চকী থৌমীশিংনা ঙসি হৈরোক তুরেল মৈলে তম্পাক দাম ময়াদা ইলেক্ট্রো ফিসিং (ইলেক্ট্রিক শীজিন্নদুনা ঙা ফারম্বা) মীওই অনী মখোয়না শীজিন্নবা খূৎশু খূৎলাইশিংগা কোন্ননা ফাগৎপা ঙমখ্রে।

দব্লিউ বি সি সি হৈরোক ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরী ইবোমচা নিংথৌজমনা ফোঙদোরকখিবদি মখোয়দগী বেট্টরি অমা, ইলেক্ট্রিক কনভর্টর অমা, ৱাশাং অনী, ঙা ফানবা লাং অমা ফংখি। কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা ইলেক্ট্রিক শীজিন্নদুনা ঙা ফাবগী অমাঙবা অমদি অকোয়বগী ফিভমদা শোকহল্লকপা কয়া নীংথিনা খঙহনখি অমসুং অসিগুম্বা থবক মতুংদা অমুক হন্না তৌরবদি লোগী মতেং লৌদুনা দন্দি পীবা হায়না য়ানরবা মতুং মখোয় মখোয়গী ইমুংগী মীওইশিংদা শিন্নখ্রে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ইলেক্ট্রিক শীজিন্নদুনা ঙা ফাবা অসিনা ঙাগী মশীং হেনগৎহনবা ঙমদে, মচা পোকপসু ঙমদে অদুগা করেন্ট ফংখ্রবা ঙাশিং পুং ৩ দগী ২৪ ফাওবগী মনুংদা শিহল্লি। মদুনা মরম ওইরগা ইকো সিষ্টেমদা চাউনা শোকহল্লি। পুম্নমক অসি য়েংলগা হৈরোক এরিয়াদা ইলেক্ট্রিক শীজিন্নদুনা ঙা ফাবা ঙসিদগী থিংলে। কনাগুম্বনা ফত্তবা থবক অসি তৌরম্বা থেনরবদি লোগী মতেং লৌদুনা দন্দি ফংবদা মশানা হরাউনা য়াজগদবনি হায়রি। লমলক্কী শা উচেকসু কনসি, ঐখোয়গী অকোয়বগী ফিভমসু ঙাক শেনসি হায়বগী ৱাফমসু থমলি।

## অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল য়ুথ কনভেন্সন কম কলচরেল মিট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ সার্ভিস ব্রিদজ এজেন্সি শগোলবন্দ নেপ্রা মেঞ্জোর লৈকাইনা শীন্দুনা অহুমলকশুবা ষ্টেট লেভেল য়ুথ কনভেন্সন ২০১৯ কম কলচরেল মিট থা অসিগী ১৩ লাক্লিবা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯ তাবদা রাজ ভবন ইম্ফালগী রাজ দরবার হোলদা পাঙথোক্লগনি।

গভর্ণর ডা. নজমা হেপতুল্লানা অথোইবা মীথুংলেন অদুগা সি এ এফ এন্দ দি পি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা থৌরম মপু ওইদুনা হৌদোক্কদবা কনভেন্সন অসিগী টেক্নিকেল সেসনদা রিমস দিপার্টমেন্ট ওফ সাইক্যাত্রিগী প্রো. ডা. আর কে লেনিন্না ইন্টরনেট এদিক্সন এন্দ ইটস ইমপেক্ট ইন অৱার হেলথ হায়বা হিরমদা, মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটিগী জোইন্ট দিরেক্টর (সি এস টি) ডা. লুসি দুইদাংনা নো ইয়োর ষ্টেটস এন্দ গেট ট্রিটেদ হায়বা হিরমদা, এম য়ুগী প্রো. এম সি অরুন্না দ্রগ প্রোব্লেম এন্দ নিদ ওফ এ ষ্টেট দ্রগ পোলিসি হায়বা হিরমদা অদুগা এস পি থৌবাল ডা. এস ইবোমচানা সাইবর ক্রাইম এন্দ ইয়ুজ ওফ মোবাইল ফোন হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংদুনা নৈনগনি। নুংথিলগী মতমদা কলচরেল প্রোগ্রামসু পাঙথোক্কনি হায়না এজেন্সি অসিগী সেক্রেটরী এন রাজেন্দ্রো সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

## থম্বালনু সাহিত্য মরুপকী চহীগী চেফোঙ অমদি লাইরিক কয়া ফোঙখ্রে

থৌবাল, সেপ্তেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরীনা শীন্দুনা ঙসি য়াইরিপোক লাইমনাই মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা লূপ অসিগী চহীগী চেফোঙ অমদি তোঙান তোঙানবা অইবশিংগী শৈরেং লাইরিক কয়া ফোঙখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱাংখেম কেন্দ্রগী এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা অথোইবা মীথুংলেন, থম্বালনু সাহিত্য মরুপকী প্রসিদেন্ট মাইবম ইবোতোম্বী খুমনচানা থৌরম মপু অদুগা সাহিত্য একাদেমি ন্যু দিল্লিগী মণিপুরী লেঙ্গোইজ এদভাইজরি বোর্দকী কনভেনর এন কিরনকুমার, সাহিত্য একাদেমি ন্যু দিল্লিগী জেনরেল কাউন্সিল মেম্বর ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসম, থম্বালনু সাহিত্য মরুপকী এদভাইজর রঘুবির থিয়াম অমদি ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট দিরেক্টর ওইরম্বা ডা. মাইবম রাজেন্দ্রনা পুন্না অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

সেক্রেটরী নিরঞ্জন উসমনা রিপোর্ট পীরদুনা হায়, য়াইরিপোক মায়কৈখক্তগী নত্তনা মণিপুরগী ওইনা সাহিত্যগী লূপ অসি চহী ২৬ মপূং ফারক্লে। লূপ অসি হিংনবা হোৎনবিখিবা অমদি হোৎনরিবা অহল লমনশিং কাউথোকপা লৈতে। অমদি মখোয়দা তৌবিমল খঙবসু উৎলি। লূপ অসিগী শঙলেন শাবা লোইশিন্দনা লৈরিবা অসিদা মতেং পাংবিনবা এম এল এ মেঘচন্দ্রগী পূক্নিংসু চিংশিনখি।

থৌরমগী মনুং চন্না লূপ অসিগী ২৬ শুবা চহীগী ১০ শুবা মশীং থম্বাল মিংথোনবা চেফোঙ অমসু মীয়ামদা ফোঙদোকখি। অসিদসু নত্তনা ইবোতোম্বী খুমনচানা ইবা মালেমঙানবী চনুনা ফোঙবা ‘পলেমগী শিয়োমনুংদা’ হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক, রঘুবির থিয়াম্না ইবা অদুগা লূপ অসিনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক ‘থম্মোয়গী শৈরোলসু’ ফোঙখি। লাইরিকশিং অসিগী মরমদা সলাম তোম্বনা ৱা ঙাংদুনা নৈনখি হায়রি।

## কাখলগী অনৌবা থৌ পুগদবশিং হাপখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ কংলা খুন্থোকয়াই অপূন লূপলেল (কাখল)গী অপূন মীটিন চৎলিবা থা অসিগী ১ দা চীংঙামথক থোকচোম লৈকাইদা লৈবা লূপ অসিগী লোয়শঙদা পাঙথোক্তুনা মথং চহী ৩ গী থৌ পুনবা মীওই ৯ না শাবা থৌপু লূপ শেমখিবগা লোয়ননা থৌ পুগদবশিংসু হাপখ্রে।

থৌ পুনবা হাপখ্রবশিং অদুদি নেপ্রম নুঙকাংবা লুচিংবা (প্রসিদেন্ট), কোঞ্জেংবম শ্যামকিশ্বর ঙমথং লুচিংবা (ভাইস প্রসিদেন্ট), য়াঙ্গোই পিবা থৌবুরেল অশূপ্পা (সেক্রেটরী জেনরেল), থোকচোম মঞ্জুরি শেল্লোই হঞ্জবা লোয়ননা থৌপুরেল পাউজেল্লোই (কেসিয়ার অমদি সেক্রেটরী পব্লিসিটি), সিনাম লুখোই থৌবুরেল ইনাৎ লোয়ননা থৌবুরেল চাউখৎ থৌশিল্লোই (সেক্রেটরী কলচর অমদি ওর্গনাইজেসন)নি। অদুগা থৌবুরোইশিংনা নাওরোইবম অমেংবা, মুতুম গৌরহরি, ওক্রম উনবি লৈমা অমসুং পেবম য়াইকুবিনি হায়রি।

## য়াইরিপোক্তা গ্রামালোক পাঙথোকখ্রে

য়াইরিপোক, সেপ্তেম্বর ০৯ (এসএনএস)ঃ সাহিত্য একাদেমি ন্যু দিল্লি, য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরী মণিপুর অমসুং তোপ – চীংথা জি পি খূৎশম্মদুনা ঙসি লাইমনাই মল্টিপরপজ হোল য়াইরিপোক্তা গ্রামালোক পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা তুলিহল জিল্লা পরিষদকী মেম্বর কে ইনাওচা দেবী, য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরীগী প্রসিদেন্ট মাইবম ইবোতোম্বী খুমনচানা মরু ওইবা মীওই ওইনা শরুক য়াখি। অদুগা সাহিত্য একাদেমি ন্যু দিল্লি মণিপুরী এদভাইজরি বোর্দগী কনভেনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা মোদরেটর ওইনা শৈরেং থিবগী সেসন অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

# নুপীশিংতগী ওইবা জিম্নাজিম হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ গ্রুপ সেন্টর সি আর পি এফ লাংজিং ইম্ফাল কেম্পসকী বরেক নম্বর ০৫(বি/২১৩(এম) বট্টালিয়ন একোমেদেটেদ) তা ঙসি নুপীশিংতগী ওইবা জিম্নাজিম অমা আর সি দব্লিউ এ গী চীফ অমসুং সেনিয়ার ই এন টি কন্সলটেন্ট ডা. নন্দিনি এলাংবমনা হৌনবী মতুং ইন্না হাংদোকখ্রে।

ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট হেন্না পাকথোক চাউথোক্কবা মীৎয়েংদা নুপীশিংতগী ওইবা ফিজিকেল এক্সরসাইজ অমসুং মতম পুম্নমক্তা হকচাং ফনা, ফিট ওইনা লৈনবা মীৎয়েংদা জিম্নাজিম হাংদোকপগী থৌরম অদুদা সি আর পি এফ গ্রুপ সেন্টর ইম্ফালগী দি আই জি লোকেন্দ্র সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি অদুগা দিপ্যুটি কম্মান্দেন্ট শ্রীমতি নন্সিতা দেবী অমসুং আর সি দব্লিউ এগী মেম্বরশিং শরুক য়াখি।

আর সি দব্লিউ এগী চীফ অমসুং সেনিয়ার ই এন টি কন্সলটেন্ট ডা. নন্দিনি এলাংবম্না ফোঙদোকখিবদি কেম্পস অসিদা লৈবা নুপীশিংনা মশা মউ ফিট ওইনা লৈনবগীদমক জিম অসিগী কান্নবা লৌবিয়ু অমসুং ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্টদা শরুক য়াবিয়ু।

ফিটনেস হায়বসি মতম পুম্নমক্তা ঐখোয়গী কলচরগা থাদোক্লবা য়াদ্রবা অমনি। হৌজিক্কী মতমদদি ইসু অসি তোঙান তোঙানবা মীৎয়েংদা য়েংনদবা নত্তে। চহী ১০ রোমগী মমাঙদা মীওই অমনা নোংমদা কিলোমিটর ৮–১০ খোঙনা চৎলম্মী, সাইকল থৌরম্মী, চেনসু চেল্লম্মী। অদুবু টেক্নোলোজিনা ফিজিকেল এক্টিভিটি হন্থরকপনা খোঙনা চৎপগী চাংসু হন্থরক্লে। মায় পাকপা অমসুং ফিট ওইনা লৈবা হায়বসি অমগা অমগা মরী লৈনবা ঙাক্তনি। মায় পাক্লবা মীওই খূদিংমক ফিট ওই। অদুনা আর সি দব্লিউ এগী মেম্বর খূদিংমক্লা নুমিৎ খূদিংগী জিমদা শরুক য়ানবসু মহাক্না মখা তানা খঙহনখি।

## একোদোম মোরেগী অরি অনৌ ফম শিন্নখ্রে

মোরে, সেপ্তেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ ওল কম্ম্যুনিটি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (একোদোম) মোরেগী নৌনা থৌ পুগদবশিং ৱাশকপগা লোয়ননা অরি অনৌ ফম শিন্নখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা অরি অনৌ ফম শিন্নবগী থৌরমদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী এদিস্নেল এস পি রোবিন্সন, এস দি পি ও মেঘবর্না অমদি হান্নগী প্রসিদেন্ট আর কে সনায়াইমনা মরু ওইবা মীওইশিং ওইখি। মণিপুর মুস্লিম কাউন্সিল মোরে, টামিল সঙ্গম মোরে, গুরখা সমাজ সেবা কম্মিটি অমসুং নুপী খুন্নাই চাউখৎ লমজিং লূপকী থৌমীশিংসু শরুক য়াখি।

এদিস্নেল এস পি তেংনৌপল কেঐচ রোবিন্সন্না থৌরমগা মরী লৈননা হায়, হান্নদগী হৌনা একোদোম্না তোঙান তোঙানবা কম্ম্যুনিটিগী মীওইশিংগী কান্নবা কয়া পাঙথোক্তুনা লাকখিবা অসিমক থাগৎনিঙাইনি। মনুং চঙশিন্না লৈবা মফমশিংদা মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখিবা কয়া নীংশিং–লদুনা নৌনা থৌ পুরগদবশিংনসু মখা তানা মীয়ামগীদমক অফবা থবক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্লি।

নৌনা থৌ পুরগদবশিং অদুদি টিঐচ বুধ মৈতৈ প্রসিদেন্ট, এস ইবোপিশক সিংহ অমদি খেলেন সাপম অনীমক ভাইস প্রসিদেন্ট এল কমল মৈতৈ জেনরেল সেক্রেটরী, এন সুনিল মৈতৈ জোইন্ট সেক্রেটরী, দব্লিউ শমজাই কেসিয়ার, এ এন্টিবোই পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরী অমসুং অয়ুব খান মাইনোরিটি এফিয়ার্স সেক্রেটরীনি হায়রি।

## ঙসিগী রাষি ফল (১০–০৯–২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** শেল ফংবা চৎপা, ৱাখল ফকচিনবা মতম্লি। পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবা হে শিংউ। ইমুংদা চরাঙনগনি। হকচাং ফত্তে। নক্ষত্র ১ ফগনি, ২ ফত্তে, ৩ ফগনি।

**বৃষঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, অরুবা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা মতম্লি। অফবা পাউ তারগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৩,৪,৫ ফগনি।

**মিথুনঃ** শাওদবা ফগনি। ৱারৌবা খৎননিংবা মতম্লি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি চেকশিল্লু। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৫ ফগনি, ৬ অফবা ওই, ৭ ফত্তে।

**কর্কটঃ** পেন্দবা, পামদবা থেংনবা, অরানবা তাবা, শেল চৎপা মতম্লি। অচৌবনা চানবিরগনি। লম চৎপা চেকশিল্লু। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৭ ফত্তে, ৮ ফগনি, ৯ ফত্তে।

**সিংহঃ** চরক চহিং নাইবা, খৎনবা, শোক্লনবা, শেল মরম চাদনা চৎপা, কোক শাবা মতম্লি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১০ ফগনি, ১১ ফত্তে, ১২ খরা ফগনি।

**কন্যাঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, ইমুংদা শান্তি লৈবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্লি। মরুপ মফম ফগৎপা মতম্লি। নক্ষত্র ১২,১৩,১৪ অফবনি।

**তুলাঃ** চরক চহিং নাইবা, খৎনবা, শেল চৎপা, মীৱা মীশা তাবা মতম্লি। পোৎ লৈবা, শেল পীথোক পীশিন্দা চেকশিল্লু। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৪,১৫ ফগনি, ১৬ ফত্তে।

**বৃশ্চিকঃ** শেল ফংবা, চৎপা, ৱাখল লাঙবা মতম্লি। পোৎ লৈবা য়াগনি। লম চৎপা হে শিংউ। ইমুংদা চরাঙনগনি। কল্লকপা য়াম্মী। নক্ষত্র ১৬ ফত্তে, ১৭ ফগনি, ১৮ ফত্তে।

**ধনুঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্লি। নক্ষত্র ১৯ ফগনি, ২০ ফত্তে, ২১ খরা ফগনি।

**মকরঃ** অচৌবা অরুবা পাঙথোকপা, মরুপ মফম ফগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্লি। অচৌবশিংনা নুংশিবিবা মতম্লি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২১,২২,২৩ অফবনি।

**কুম্ভঃ** চরক চহিং নাইবা মরক্তা পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। অচৌবনা চানবিরগনি। নক্ষত্র ২৩,২৪ ফগনি, ২৫ ফত্তে।

**মীনঃ** অপনবা থেংনবা, শেল ফংবা চৎপা, হকচাং ৱাখল ফবা ৱাৎপা পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবনা নুংশিবিবা মতম্লি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৫ ফত্তে, ২৬ ফগনি, ২৭ ফত্তে।


চাকওাই ৱারী-১৪
সোইরেনগী অঙাং
অহৈবা অমসুং অয়েকপা
লোং পান
মনাওনসু ময়াম্ববু কিনা হঙ্গোইনা চৎলি
তাদসে নুপী থিররোই হায়রেদো ফরে ঐ ওইনা থিবা তারে
অসুম্না খরা লৈরগা অতোনবদু
নুপী অমা লুহোংদুনা লৌরে
তাদগী চান থক্লবদু ফজনা থম্মুকো
হোয় হোয়